HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখা লৈমা চীংদা লৈবা নীংশিং খুভমদা মীতৈ নেশনল ফ্রন্টকী লুচিংপুরেল চীংশুবম অকাবগী ১৯শুবা লৈখিদবগী নীংশিং কুমওন থৌরমদা হৈকং-লৈকং তমদুনা ইকায়খুম্নখিবা


লৌশীং পূক্কে : ৱাখল নুংঙাইনা নোকপনা ঈগী... লামায় ২

লামায় ৪ হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ উনিংথৌ

সাইকোলোজিকেল ওটোপসি অমসুং মসিগী মরু ওইবা লামায় ৫

লামায় ৬ মালেমগী থাক্তা লেঙদনা লৈরিবা মণিপুরগী...

গুৱাহাটি : য়ু ঙাওদুনা গাড়ী থৌরকপদগী... লামায় ৯

লামায় ১২ ইম্ফাল ৱেষ্ট লিগঃ ঈ ৱাই দি সী মায়...


বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা আই দি পি অঙাংশিংগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবগী রিভিয়ু মীটিংদা এম সী পি সী আরগী চ্যেরপর্সন কে প্রদিপকুমারনা ষ্টেট এক্সন প্লান পুথোকপা




Vol. 49, Issue No. 267 | থাংজ, ৱাক্চীংগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, January 03, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### অমিট শাহনা মণিপুরগী ফীভম রিভিয়ু তৌনবা মীফমগী সেদ্যুলদি লৈখি

# গভর্ণরগা ফম্মীন্নদুনা পাঙথোকখিব্রা নৎত্রগা পাঙথোকখিদব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমখিদে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) : ঙরাং চহী হৌবা নুমিৎতা ইম্ফাল থাদোকখিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা ঙসি ন্যু দেল্লীদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উন্নদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিং রিভিয়ু তৌনবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়বগী ৱাফম ঙসিগী ওইনা হোম মিনিষ্টরগী সেদ্যুলদা য়াওখি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পুং ১১ তারকপা ফাওবদদি রিভিয়ু মীটিং অসি পাঙথোকখিব্রা নৎত্রগা পাঙথোকখিদব্রা হায়বগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্টফংবা ঙমখিদে।

করিগুম্বা মণিপুরগী রিভিয়ু মীটিং অসি পাঙথোকপা তারবদি ষ্টেট অসিগী মায়কৈদগী গভর্ণর খক্তা নত্তনা চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পিসু য়াওগনি হায়বা ৱাফম লৈখি। অদুবু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মীফম অসি পাঙথোকখিব্রা নৎত্রগা পাঙথোকখিদব্রা হায়বদি ওফিশল ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ঙরাংদগী হৌরবা অনৌবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা এসেমব্লি মীখলশিং পাঙথোক্লগদবা পুদুচেরিদনা হয়েং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ চৎপগী প্রোগ্রাম লৈ। অদুগা হংচিৎ থা অসিগী ৪দনা টামিল নাদুদা চৎপগী থৌরাং তৌরি হায়রি।

মরম অসিনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী কূংনা লৈরিবা প্রোগ্রাম সেদ্যুলশিংগী মরক্তা ঙসি মহাক্না গভর্ণরনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিশলশিংগা মাঙজৈননা লেপ্পগী মতুংইন্না শোয়দনা উন্নরমগদ্রা নৎত্রগা উন্নরল্লোইদ্রা হায়বদি খঙবা ঙমখিদ্রি।



হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা পুদুচেরি অমসুং টামিল নাদুদা চৎপা খক্তা নত্তনা ঙসিসু অন্দমান অমসুং নিকোভর আইলেন্দদা চৎপগী প্রোগ্রাম অমসু লৈখিবনা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা মণিপুরগী ফীভমগী মতাংদা মহাক্না প্রিসাইদ তৌদুনা রিভিয়ু মীটিং পাঙথোক্কনি হায়রিবসি পাঙথোক্লক্লোইদ্রা হায়বগী থাজবা লৈরি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং পুং ১১ তারকপা ফাওবদা পাউগী এজেন্সী অমত্তনা মীফম অসিগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমত্তা তৌনরকখিদে।

# ‘ফোরেন্নর’ নি হায়দুনা ত্রাইব্যুনেলনা খন্দোক্লবশিং চয়োল অমগী মনুংদা অসামদগী তান্থোক্লগনি : হিমন্ত বিশ্বা

গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) :

ফোরেন্নর ত্রাইব্যুনেলনা ‘ফেরেন্নর’শিংনি হায়দুনা লাউথোক্তুনা মশক খঙদোল্লবা মীওইশিং চয়োল অমগী মনুংদা অসামদগী তান্থোক্লগনি হায়না ঙরাং অনৌবা চহী ২০২৬কী অহৌবা নুমিৎতা গুৱাহাটিদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্মনা ফোঙদোকখ্রে।

অসামদা মতম কয়াগী মমাঙদগী মায়োক্নরক্লিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী নারোন্দা চঙশিল্লকপা মীওইশিংগী ইস্যু মায়োক্নরক্লবা মতুংদা ৱাফম অসি মহাক্না অনৌবা চথুগদবা থবক ওইনা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, হৌখিবা থা ৩গী মনুংদা ঐখোয়গী লৈঙাক্না বাংলাদেশতা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্ট লিশীং ২ রোম তকথোক্তুনা হলহনখ্রে। হৌজিক্তি ফোরেন্নর ত্রাইব্যুনেলনা মীতোপনি হায়দুনা মশক খঙদোক্তুনা লাউথোল্লবা মীওইশিং অসামদগী চয়োল অমগী মনুংদা তান্থোক্লগনি হায়খি।

মহাক্না লুচিংবা অসাম লৈঙাক্কী অনৌবা থৌরাং অসি ফোরেন্নরশিংবু মায়োক্নরক্লিবা থবকশিংগী মনুং চন্না চথুগদবনি হায়খি।



ফোরেন্নরশিংবু অসামদগী চয়োল অমগী মনুংদা তকথোকপা হৌগদৌরিবা অসিনা মখোয়গী মতাংদা হায় কোর্ট নৎত্রগা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎতুনা হলহনখিনবা হোৎনবদা থবক অসি থেংথহল্লক্নদবশিং মায়োক্নরোই। মতম খরগী মমাঙদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানসু ইম্মিগ্রেন্টস (এক্সপলশন ফ্রোম অসাম) এক্ট-১৯৫০গী প্রোভিজনশিং অয়াবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ফমুংদা তূমদুনা লৈবা চহী অমা খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা মকোক্তা নোংমৈ মরূনা পাল্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): অনৌবা চহী হৌগৎলকপদা অহানবা থোকপা অঙকপা থৌদোক ওইনা ঙরাং নুথিল পুং ৪ রোম তারকপদা জিরিবামদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা লৈবা অশানবা য়ুম অমদা লৈরকখিবা এলাংবম থোইবগী চহী অমা খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা থোইথোইনা ফমুংদা তূল্লিঙৈদা কদোমদগী কাপ্লকপনো খঙদবা পোইন্ট ৩২গী নোংমৈ মরূ অমনা মকোক্তা পান্দুনা ফীভম লুনা শোকখ্রে।

অঙাং অসি হেক শোকপগা রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুং নাগারামদা লৈবা লিট্টল ক্লিনিকতা ওপরেশন তৌদুনা মহাক্কী কোক্তা য়াওরম্বা পোইন্ট ৩২গী প্রোজেক্টাইল অমা লৌথোকখ্রে হায়রি।

### বিরলা এম্পোরিয়ম অমসুং ইরা ফাইনান্স চেন্নবা কেসতা ঈ দিনা লুপা ক্রোর ৩৩.৬৬কী এসেট ফাজিল্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): দিরেক্টোরেট ওফ এনফোর্সমেন্ট, ইম্ফাল সব জোনেল ওফিসনা ইস্যু তৌবা ২শুবা প্রোভিজনেল এটেচমেন্ট ওর্দর (পি এ ও) গী মতুংইন্না য়ুম্নাম ইরাবন্তনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### লিলোংগী আই টি আইগী গেট ময়াদা গ্রেনেদ লৈরম্লে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস):

ঙসি অয়ূক পুং ৭.২৫ রোম তারকপদা লিলোং পুলিস ষ্টেশনননা কোল্লিবা লিলোং চাওবোক মাইরেল খুলদা লৈবা আই টি আইগী গেট ময়াদা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্লে হায়রি।

বোম অদু অয়ূক পুং ১০.২৮ লোম তারকপদা পুলিসকী বোম দিটেক্সন এন্দ দিস্পোজেল স্কৱাদনা লৌখৎলবা মতুংদা লিলোং পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফোর্মেল ওইনা সিজ তৌখ্রে হায়রি।

### নোংমৈ লল্লোনবা ২ ফারে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস):

ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ত্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ লল্লোনবা থোংজু পার্ট টু পেচু লম্পাক নিঙোম্বম লৈরক্তগী করাম মনি (৩৫) কৌবা মীওই অমা ময়ূমদগী মেগজিনগা কোন্নবা ৯ এম এম পিষ্টোল অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ঙরাংসু সিক্যুরিটি ফোর্সনা লৈমখোং মপাল মমাঙ লৈকায়দগী থৌদাম রঞ্জন (৪১) কৌবা মীওই অমা ৯ এম এমগী মরূ ৯গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### গাড়ীনা থোম্বদা মীওই ২ লৈখিদবগী মায়োক্তা জে এ সী শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস):

হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫.৩০দগী ৬.৩০ ফাওবগী মনুংদা সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা খোঙহাম্পাৎ এরিয়াদা ক্বাক্তাদগী এম দি টাজউদ্দিন চেশম অমসুং এম দি সলাউদ্দিন খূৎহৈবম অনীবু গাড়ীনা থোমদুনা হাৎতোকপীরম্বা থৌদোক্কী মায়োক্তা ঙসি ক্বাক্তা কৈথেলদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল হিট এন্দ রন কিল্লিং ওফ এম দি টাজউদ্দিন এন্দ এম দি সলাউদ্দিন শেমখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

| ঙসিগী | স্লোগান |
| --- | --- |
| “চাগা য়েংদুনা চাদিং তৌসি” - ইয়োল | |

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## বি জে পি লৈঙাক্না ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা থম্বালনা ফম্বাল পায়নবা পূক্নিং চঙদুনা লৈরে : ও জয়

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) : চহী তরেৎ খুন্তাকখ্রবা মতুংদা মণিপুরদা হৌজিক চহী অহুমলোম খুন্তাকপগী ফীভমদা লৈরে হায়রদুনা বি জে পি লৈঙাক্না মণিপুর কন্নবা অমসুং ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা থম্বালনা ফম্বাল পায়নবা, থম্বাল করম্না শাৎহনগনি, করম্না লৈঙাক অমা লৈহনগনি হায়বদা পূক্নিং চঙদুনা লৈরে হায়না ভেটরেন পোলিটিসিয়ন ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি থা অসিগী ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইনিংথৌ গম্ভির সিংহ লৈখিদবা নুমিৎ অমদি চহী তরেৎ খুন্তাক্লুরবা মতুংদা মণিপুরনা অমুক হন্না নীংতম্বা হঞ্জিনখিবা চহী ২০০ মপূং ফারকপা নুমিৎ অমসুং ‘ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোই’ হায়না লৈবাক্কী নিংথৌ য়াওনা ৱাশক্লখিবা চহী ৫০ মপূং ফারকপা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবগা মরী লৈননা ককৱাদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মণিপুরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীং-তম চঙন-থোক্না য়াহন্দ্রিবসি বি জে পিগী লৈঙাক্না থোকহনবনি : অচোইবম দেবেন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) : হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী তমদা লৈবশিংনা চীংদা চৎপা ঙমদ্রে অমসুং চীংদা লৈবশিংনসু তমদা চঙবা ঙমদ্রিবা পূম্নমক অসি বি জে পিগী লৈঙাক্না থোকহনবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বর ওইরিবা লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা পার্টি অসিগী মেম্বর অচোইবম দেবেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লম্লাই এ সীগী মনুং চল্লিবা নুংকোট কোম খুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা খৃষ্টমাস অমদি ন্যু য়রগী মখা চথুরকপা কুম্মৈশিংগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।





থৌরম অসিদা পি সী সী মেম্বর ডা. এস মনাওতোন অমসুং অন্দ্রো এ সীদগী কোংগ্রেসকী কো ওপ্টেদ মেম্বর এন দিরেন (বোবো) সু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা অচোইবম দেবেননা মখা তানা হায়, মণিপুর অসি মমাঙথক্তা তম্পাক্তা লৈবা অহল লমনশিং পুল্লগা ইমা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### বোল্লিৱুদ এক্টর শাহ রুখ খানগী মরৈ ককথৎপা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ১গী মনা পীগনি লাউথোকখ্রে

লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) : বোল্লিৱুদকী এক্টর শাহ রুখ খাননা মহাক্কী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ আই পি এল টিমগীদমক বাংলাদেশ মচা ক্রিকেটর অমা লৈরগা য়াওহন্নবা থৌরাং তৌরে হায়বা ৱাহৌদগী ওল ইন্দিয়া হিন্দু মহাসভাগী আগ্রা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটকী প্রিসিদেন্ট ওইরম্বা মিরা থাকুরনা মথুরাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা শাহ রুখ খানগী মরৈ ককথৎপা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### শম ককপশিংদগী শেনখায়-থুমখায় তৌবীগনু : ত্রেদ য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারগী চেরোল অমদা শম ককপশিংদগী নমদুনা শেনখায়-থুমখায় তৌবীগনু হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা শম ককপা অমসুং মসিদগী ফংলকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ফেব্রুৱারী ১দগী চুরুট অমদি গুদখাগী মমল হেনগৎলগনি

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) : য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা সেন্ত্রেল এক্সাইজ এক্ট অমসুং সেন্ত্রেল এক্সাইজ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট-২০২৫গী মখাদা থোকপা নোটিফিকেশন অমগী মতুংইন্না মথং থাগী ১দগী হৌরদুনা হীদাক মনাগী পোত্থোকশিং ওইরিবা চুরুট অমদি গুদখাদা জি এস টিগী চাং চাদা ৪০গী মথক্তা লৌরগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### এয়র মার্সেল নগেশ কাপুরনা এয়র ষ্টাফকী ভাইস চীফ ওইরে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) : এয়র মার্সেল নগেশ কাপুরনা ঙরাংদগী হৌরদুনা লৈবাক অসিগী ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ভাইস চীফ ওফ এয়র ষ্টাফকী ফম পুবা হৌখ্রে। এয়র মার্সেল কাপুর মিগ-২১ অমসুং মিগ-২৯ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পুং ৩,৪০০গী ফ্লায়িংগী রেকোর্দ মায় পাক্না থম্বা ঙল্লকখিবা ওফিসরনি। মহাক কুমজা ১৯৮৬কী দিসেম্বরদা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ফ্লায়িং ব্রাঞ্চ ওইনা কম্মিশন তৌরকখিবনি।

## জন্যুৱারী ৬তগী ‘ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইসি’ হায়বগী পাউজেল পুবা মোটোর সাইকল রেল্লি চৎলগনি





ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) : য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৬তগী ‘ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইসি’ হায়বা পাউজেল পুদুনা কংলাগী সনথোঙদগী মোটোর সাইকল রেল্লি চৎলগনি। রেল্লি অসিদা মীয়াম্না ৱাখলগী অমদি অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়না ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এন রুপচন্দ্রনা আপীল তৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল কৈশাম্পাৎতা লৈবা ফ্রন্ট অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## চীংশুবম অকাবা লৈখিদবগী ১৯শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) : মীতৈ ময়েক অমসুং মীতৈলোলগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনরম্বদগী ময়াম্না নুংশিনা ‘ওজা’ হায়না মিংথোনখিবা মীতৈ নেশনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) কী লুচিংপুরেল চীংশুবম অকাবা লৈখিদবগী ১৯লক শুবা নীংশিং থৌরম ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাখা লৈমা চীংদা লৈবা মহাক্কী নীংশিং খুভমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি লুচিংপুরেল চীংশুবম অকাবা নীংশিং লূপ (লুকানিল) অমসুং ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (ৱামা) কংলৈপাকনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা ৱামাগী প্রসিদেন্ট এম নাওখম্বনা হায়, খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পূন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা হোৎনবিরম্বা ওজানা লৈখিদববু নীংশিংদুনা লৈ-শু কৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ওজাগী মিতম অমা জিরিবামগী লাইরেম বিলিকাদা শানবা শেম শাবগী থবক পায়খৎলি। মপূং ওইনা অচৌবা থৌরমদি মিতম অসি শঙ্গাবগী নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। ঙসি ফাওবদা ওজানা লৈরম্লবদি কাঙলূপ-ফূরুপ মশেলগী মরক্তা লৈরিবা নুংঙাইনরমদবা অসি লৈরমদবসু য়াই হায়না অখণ্ড-অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম সী পি সী আরনা আই দি পি অঙাংশিংগীদমক দ্রাফ্ট এক্সন প্লান পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): মণিপুরগী ঈরাংনা শোকহল্লবা আই দি পি অঙাংশিংগীদমক লৌখৎকদবা তেংবাঙগী থবকশিং য়াওনা মখোয়গী প্রোটেক্সননচিংবা থবকশিং রিভিয়ু তৌবগী মীফম অমা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা লোয়নননা ঙসি বিষ্ণুপুর দি সী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসি মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) গী চ্যেরপর্সন কে প্রদিপকুমারনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অসিদা কম্মিশনগী চ্যেরপর্সননা মণিপুরগী আই দি পি অঙাংশিংদা প্রোটেক্সন অমসুং রিহেবিলিটেশন পীনবগীদমক পুথোকপা দ্রাফ্ট ষ্টেট এক্সন প্লান অমা পুথোকখি। লোয়নননা ষ্টেকহোল্ডরশিংদসু হেন্না অচেৎপা মরী থমদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীরক্নবা হায়জখি।

থবকশিং অসিদা অঙাংশিংদা য়ুম্ফম ওইবা অমসুং মখোয়গী হক কন্নবগী ৱাফম য়াওরি। চ্যেরপর্সননা ফোঙদোকখিবদা অথুবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# হৌজিক ঐখোয় ইরমদমসিদা রিফ্যুজি ওইনা শৈদাংদুনা লৈবগা চপ মান্নরি, ঐখোয়দা আই দি পি হায়না কৌবিরিবা করিগীনো : ৱাই সরজুবালা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চুড়াচান্দপুরগী আই বি রোদতগী খুঞ্জা

(হান্নগী মখা...)

চুড়াচান্দপুরগী আই বি রোদতগী লাঞ্জেল্লক্লগা হৌজিক ফাওবা সেন্দ্রাগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী য়ূমখাইবম ওংবী সরজুবালানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঐখোয়না হৌজিক পাল্লিবসি ঐখোয় অথুবা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনবনি। ঐখোয়গীদমক লৈঙাক্না য়েংবীরি হায়রিবসি চাক চখোম অমা পীজবা অসিদি পাল্লক্তে। ঐখোয়গী হুমাংমলনা চাজবা পাল্লে। ঐখোয় হৌজিক য়াম্না ৱারে। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবসি চহী অহুম শুরক্কদৌরে। ঐখোয় খাঙবা য়াবা খাঙলক্লে।

ঐখোয়না চুড়াচান্দপুরদা লৈরিঙৈদা ইপুরোইবনা মফম অদুদা ক্লিনিক অমা হাংলম্বদু ষ্টাফ ১০ য়াওরগা হাংবনি। সিটি স্কেন তৌবগী খুদোংচাবা য়াওনা হাংবনি। হায়রিবা মেছিন অদু লৈনবা হোৎনবদা চঙবা শেল মীঙোন্দগী পুখিবশিং অদু ঙসি ফাওবা শিংদনা লৈরিবনি। মেছিন অদু লৈবা শুপ্নতগী থা ৩/৪ খক্তমক ঙাইরকপদা লান অসি হৌরকখিবনি।

ক্লিনিক অদু মাম্মগা স্যের তৌরগা হাংবনি। চুড়াচান্দপুরদা হাংবা ক্লিনিকশিংগী মনুংদগী ঐখোয়গী ক্লিনিকনা ইচাও চাওরিবনি। অদুবু লান থোরকপদগী ক্লিনিক অদু মাঙহৌবনা হৌজিক মাম্মসু ইশোন শোন্থরে। মরম অসিনা মসিসু ইশাদা শাওনীংবা কয়া ফাওদুনা লৈরি। লাঞ্জেল্লক্লে হায়রবসু লৈঙাক্না রিলিফ কেম্পতা লাক্তুনা নঙনা করি শিনফম পায়রকই হায়দুনা হংবীরবসু য়াই। হান্না হিংলম্বা পূন্সি মহিংদুগা খেন্ননা লন-থুম পূম্নমক মাঙ-তাল্লগা ইশাদা শেৎপা ফি খক্তংগা মোবাইল ফোন ফাওবা পায়রকপা নংদনা কাউরম্লগা চেল্লকখিবনি। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা ইপুরোইবগসু ঐহাক্না পাউ ফাওনদ্রবনিনা ঐসু ইচানুপা অহল অমদি ইপুরোইবা লৈখিদ্রে হায়না ৱানা খাঙখি। মখোয় অনী শোয়দনা শিরম্লগনি হায়বগী ৱাখলদা নীক-নীক লাউনা লৈরকখিবনি। চয়োল অনীগী মতুংদনা রিলিফ কেম্পতা লৈরি হায়বা খঙলকখিবনি।

ইচানুপা অহলদু ট্যুশন তম্বা চৎখিবনি অদুবু মহাক লৌবা চৎপা ঙমখিদে। মপানা লৌরগা মপা-মচা পূন্না লৈরমখিবনি। চহী মঙাখক্তা ঙাইরিবা ইচা অতোম্বদুনা ঐহাক্না লৈবনি। হৌজিক ঐখোয় ইরমদমসিদা রিফ্যুজি অমা ওইনা শৈদাংলগা লৈবগা চপ মান্নরি। ঐখোয়বু চাক্লি-ফিনিবা ওইহল্লে। ঐখোয়দা আই দি পি হায়না কৌবীরিবসি ঐখোয়গী করি ইরালগীনো হায়নসু হংলকখি। (মথং-মথং)

## কোটুগী মথক্তা মালেম থোঙামনা পুলিসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট ফাইল তৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): মে ৩, ২০২৩দগী লান হৌরকখ্রবা মতুংদা চাওবোক ওইনা চোংথোরকখিবা কুকি-জোশিংগী কাংপোকপীদা বেজ তৌবা কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) গী মথক্তা মালেম থোঙামনা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা পুলিসতা ফাইল তৌখ্রে।

মহাক্কী রিপোর্ট অদু কাংপোকপী পি এসকী ও সীদা এদ্রেস তৌবনি। অদুম ওইনমক রিপোর্ট অদুগী কোপি অদু মহাক্না ঙসি তোঙান ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ‘কংলৈপাক্কী মৈরা’ গী ৪৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাংৱাইরমদা ফোঙবা পাউচে ‘কংলৈপাক্কী মৈরা’ গী চহী ৪৫শুরকপা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি অয়ূক পুং ১১ তারকপদা কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### দ্রগ লল্লোনবা ১দি গেঙ খূৎপুশিংনা ইশাগী হৌরকফম কাউরোইদবনি : কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ : কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি)-এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খোঙানবনা থোরকপা চেরোল অমদা দ্রগ লল্লোনবা অমদি দ্রগকী গেঙ খূৎপুশিংনা ইশাগী হৌরকফম কাউরোইদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি - পিপলস ৱার গ্রুপনা ঙসি ফাওবদা ...মখা লমায় ৮ কলম ৫


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫